# নোর্থ কোরিয়ানা কায়হৌরকপা থোক্লবদি থুনা চৈরাক পীননবা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা মিলিটরিদা ওর্দর তৌখ্রে



সিওল, জুলাই ৬ (এজেন্সী): করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা কায়হৌরকপা থোক্লবদি লৈবাক অসিবু থুনা চৈরাক পীননবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা য়ুন সুক-য়িওলনা মিলিটরিদা ওর্দর তৌখ্রে।

ওফিস পায়বা হৌরবা মতুং অহানবা ওইনা পাঙথোকপা টোপ কম্মান্দরশিংগী মীটিংদা প্রিসাইদ তৌরদুনা য়িওলনা ৱাফম অসিবু মিলিটরিদা খঙহনখিবনি। কেপিটেল সিওলগী খারোমদা কিলোমিটর ১৬০ রোম লাপ্পা লৈবা য়েরয়োংদে মিলিটরি হেদ ক্বার্টর্সতা আর্মি, নেভি, এয়রফোর্স অমসুং মেরিন কোপসকী কম্মান্দরশিংগা লোয়ননা মীফম পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মহাক্কী ওফিসনা হায়খি, মদুদি করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা কায়হৌবগী থৌওং অমা চত্থরকপা তারবদি লৈবাক অসিবু খোঙজেল য়াঙনা অমসুং অকনবা মওংদা চৈরাক পীননবা প্রসিদেন্টনা ঐখোয়গী মিলিটরিদা ওর্দর তৌখ্রে।

ওফিস অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, মীয়ামগী পুন্সি, প্রোপর্টি, টেরিটরি অমসুং সোভরেন্টিবু ফিভম খুদিংমক অমদি মতম পুম্নমক্তা কন্ননবা হোৎনবা হায়বসি মিলিটরিগী মিশননি হায়বা ৱাফম প্রসিদেন্টনা চেকশিন্না থমখি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, হৌখিবা মেদা য়ুননা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী নোর্থ কোরিয়ানা সোর্ট রেঞ্জ মিসাইলশিংদগী লোং রেঞ্জ মিসাইলশিংগী চাংয়েংশিং পরিংনাইনা পাঙথোকখি। কায়হৌরকপা খুদিংমক সাউথ কোরিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা কুপ্পা তান্নরগা অকনবা অমসুং অপূনবগী রেস্পোন্স অমা পীগনি হায়বা ৱাফম অসি প্রসিদেন্ট য়ুননা ময়েক শেংনা থমখি।

অমরোমদা, মহাক্না পিওংয়াংগা মতম অমদা হেক্তা ৱারী শান্ননবা সিওলনা মতম চুপ্পদা শেম শাদুনা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্সিএল ওফিসনা হায়, মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা রিপব্লিক ওফ কোরিয়া অমসুং নোর্থ ইষ্ট এসিয়াদা সেক্যুরিটিগী তং তাদবা ফিভম অমা মায়োক্নরবা মতম অসিদা ঐখোয়না লৈবাক্কী সেক্যুরিটি অমসুং নেসনেল ইন্টরেষ্ট কন্ননবগীদমক্তা অকনবা দিফেন্স কেপেবিলিটি লৈহনবা মথৌ তাই হায়না প্রসিদেন্ট য়ুননা মখা তানা চেকশিন্না ফোঙদোকখি। য়ুননা নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং অমসুং মিসাইলশিং শীজিন্নবা ঙমহন্দনবা থ্রী-এক্সিস সিষ্টেম য়াওনা অকনবা রেস্পোন্স কেপেবিলিটি শেমগৎননবা অমদি নোর্থ কোরিয়ানা কায়হৌরকপা ঙম্বগী পাঙ্গল হন্থনবা আপিল তৌখি।

থ্রী-এক্সিস সিষ্টেম হায়রিবসি অচৌবা কনফ্লিক্ট অমা থোক্লকপা মতমদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবশিংবু মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্দনবগী ওপরেস্নেল প্লান্ট, কিল চেন প্রি এমটিক ষ্ট্রাইক প্লেটফোর্ম অমসুং কোরিয়া এয়র অমসুং মিসাইল দিফেন্স অসিদা খঙলে। ট্রুপ ৱাৎপগী প্রোব্লেম কোকহন্নবা লোয়ননা তুংদা লাক্কদবা সেক্যুরিটি থ্রেটকীদমক শেম শাননবা য়ুননা কম্মান্দরশিংদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স অমসুং অতৈ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি প্লেটফোর্মশিংদা মপুং ফানা ইনভেষ্ট তৌননবা তকশিনখি।

# করাচিগী য়ুনিভর্সিটিদা চত্থখিবা বোমগী এটেক্ট অমদা য়ুমথংনবা লৈবাক অমা চেন্নখি




করাচি, জুলাই ৬ (এজেন্সী): হৌখিবা এপ্রিল ২৬ তা করাচি য়ুনিভর্সিটিদা চত্থখিবা সুইসাইদ বোম এটেক্ট অদু অথিংবা থমখ্রবা বেলোচিষ্টান লিবরেসন আর্মি (বিএলএ) অমসুং বেলোচিষ্টান লিবরেসন ফ্রন্ট (বিএলএফ) না পুন্না থৌরাং তৌখিবনি অমসুং মদুদা য়ুমথংনবা লৈবাক অমনসু থোইদোকপা থৌরাং লৌখি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

দোনগী রিপোর্টনা হায়, হৌখিবা এপ্রিলদা সারি বেলোচ কৌবা নুপী সুইসাইদ বোম্মর অমনা কেয়ুগী কনফ্যুসিয়স ইন্সটিট্যুটকী মপানদা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিবশিং পোকখায়হন্দুনা শাথিরবা এটেক্ট অমা চত্থখি অমসুং মদুদা চাইনিজ ওজা অহুম অমসুং লোকেল দ্রাইভর শিখি।

মতমদুদা বিএলএনা এটেক্ট অদু গ্রুপ অসিনা চত্থবনি হায়না ক্লেম তৌখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টরগী য়ুমদা চাইনিজ দেলিগেসন অমগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা শিন প্রোভিন্সকী পুলিস চীফ গুলাম নবি মেমোননা হায়খি, মদুদি এটেক্ট অদুগা মরী লৈননা মরু ওইবা সস্পেক্ট অমা ফারে।

প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ইনাম মেমোননা হায়খি, মদুদি মহাক্না টেররিষ্ট অমনি হায়রিবা সস্পেক্ট অদুনা কেয়ুদা চত্থখিবা এটেক্ট অদু বিএলএফ অমসুং বিএলএনা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মতমদুদা বিএলএনা এটেক্ট অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা ভিদিও ষ্টেটমেন্টশিংসু থাদোরকখি। মদুগী মতুংদা কাউন্টর টেরোরিজম দিপার্টমেন্ট (সিটিদি) না সিসিটিভি ফুটেজ কলেক্সন তৌখি অমসুং জিও ফেন্সিং অমদি দিএনএ সেমপ্লিং কন্দক্ট তৌদুনা করাচিদগী বিএলএফকী কম্মান্দর ফাবা ঙমখি। সস্পেক্ট অদু দাদবক্স কৌই হায়বা খঙলে হায়না দোননা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

ইনাম মেমোন্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ইনভেষ্টিগেসন প্রোসেস অদুদা সস্পেক্ট অদুনা মরু ওইবা ৱাফম খরসু ফোঙদোরকখি। মহাক করাচিদা লৈবা বিএলএফকী স্লিপ্পর সেল অমগী কম্মান্দরনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকচরকখি।

# রোকেট মঙা বোর্দর টাউনদা তাশিনখ্রে

টাস্কেন, জুলাই ৬ (এজেন্সী): য়ুমথংনরিবা অফঘানিষ্টানদগী কাপ্লকপা রোকেট মঙা য়ুজবেকিষ্টানগী খা থংবা টর্মেস কৌবা বোর্দর টাউনদা তাশিল্লকখি হায়না য়ুজবেক ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

রোকেটশিং অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪.২০ রোম তাবদা তাশিল্লকখিবনি। রোকেট মরি মজুলটোল এরিয়া অমদা তারকখি অমনা ফুটবোল ষ্টেদিয়ম অমদা তারকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না রোকেটশিং অদুগী মনুংদা অমত্তা পোকখায়খিদবগা লোয়ননা মীশি মীনা অমদি শাথিনা অমাঙ অতা থোকপা য়াওখিদে। শুপ্পগী প্রাইভেট হাউস মরিদা মাইনর দেমেজ থোকখি।

মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট মতুং ইন্না হৌজিক য়ুজবেকিষ্টানগী কম্পিটেন্ট ওথোরিটিশিংনা অফঘান সাইটকা খুৎশম্নরগা থৌদোক অদুগী হৌরকফমশিং লেপ্পবা মথৌ তাবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# লেফটনেন্ট জেনরেল সুব্রামনিয়ন য়ুএন পিছ কিপ্পিংগী কম্মান্দর খনখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, জুলাই ৬ (এজেন্সী): য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিয়ন গুটরেজনা লেফটনেন্ট জেনরেল মোহন সুব্রামনিয়নবু সাউথ সুদানদা দিপ্লোই তৌরিবা য়ুএন পিছ কিপ্পিং ফোর্সকী কম্মান্দর হাপখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা জেনরেল সেক্রেটরিগী স্পোক্স পার্সন ষ্টেফান দুজরিক্না লাউথোকখ্রে।

সাউথ সুদানদা লৈরিবা য়ুএন পিছ কিপ্পিং ফোর্স অদু য়ুএন মিশনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা ট্রুপ দিপ্লোইমেন্টনি হায়রি।

দুজরিকনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সুব্রামনিয়ন্না ফম অসিবু পায়রিবসি লেফটনেন্ট জেনরেল সাইলেস টিনাইকরগী মহুৎ শীন্দুননি। ইন্দিয়াগী ওফিসর অসিসু য়ুএন মিশন ইন সাউথ সুদান (য়ু এন এম আই এস এস) কী কম্মান্দর ওইখিবনি। কুমজা ২০১১ দা লিংখৎখিবা মিশন অদুগী পার্সনেল ১৭,১৮২ লৈ। মখোয়গী মনুংদা ১৩,২৩৪ না সাউথ সুদানদা দিপ্লোই তৌরি। ট্রুপ মশিং অসি য়ুএননা হৌজিক চত্থরিবা পিছ কিপ্পিং ওপরেসন ১১ গী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্বা ট্রুপ মশিং ওইরি। ইন্দিয়ানা য়ু এন এম আই এস এস ট্রুপ ২৩৮৫ অমসুং পুলিস পার্সনেল ৩০ কন্ট্রিব্যুট তৌখি।

মিশন অসিগী ৱেবসাইট মতুং ইন্না সুব্রামনিয়ন চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা দিফেন্স সার্ভিস ষ্টাফ কলেজ (দিএসএসসি) গী কম্মান্দেন্ট হাপখি। য়ুএনগী মতুং ইন্না সুব্রামনিয়ন হন্দক্তা সেন্ট্রেল ইন্দিয়াদা লৈবা জেনরেল ওফিসার কম্মান্দিং, মিলিটরি রিজন ওপরেস্নেল অমসুং লোজিষ্টিক রেদিনেস জোন ওইখি।

অসুম্না মহাক্না আর্মিগী ওপরেস্নেল অমসুং লোজিষ্টিক প্রিপেয়র্দনেসতা কন্ট্রিব্যুট তৌখি। মহাক মমাঙদা কুমজা ২০০০ দা সিয়ারা লিওনদা থাবা য়ুএনগী পিছ কিপ্পিং মিশনদসু সর্ভ তৌখি। দিএসএসসিগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৮৬ তা আর্মি এয়র দিফেন্সকী পোরদা কম্মিসন তৌখিবা সুব্রামনিয়ন অটি ভেসিক মেদল, সেনা মেদল অমসুং ভিসিষ্ট সেবা মেদল পীদুনা ইকায় খুম্নরবা ওফিসারনি।

মহাক তামিল নাদুগী অম্রাবতি নগরদা লৈবা সাইনিক স্কুল, নেসনেল দিফেন্স একাদেমি, খদাসৱালা অমসুং দেহরাদুনগী ইন্দিয়ন মিলিটরি একাদেমিদা তম্লকখি।

# দোনেটস রিজনদা রসিয়ন লান্মীশিংনা বোম অমদি মিসাইল এটেক্ট চত্থবদা মীওই মঙা শিখ্রে



ক্রামাটোস, জুলাই ৬ (এজেন্সী): ইষ্টর্ন দোনেটস প্রোভিন্সতা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রসিয়ন লান্মীশিংনা মিসাইল অমদি বোমগী এটেক্টশিং চত্থখিবদা সিভিলিয়ন মঙা শিখ্রে অমসুং অতৈ ২১ অশোক অপন নঙখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী ক্রামাটোসতা রসিয়ন লান্মীশিংগী এটেক্ট কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা মীচম কয়া মীশি মীনা থোকখিবনি।

দোনেটসকী গভর্নর প্রাবলো কিরিলেনকোনা য়ুমশকৈশগী অয়ুক্তা টেলিগ্রাম পোষ্ট অমদা হায়খি, মদুদি অপদিবকাদা মীওই অনী শিখি। স্লোভিয়ন্সতা মীওই অমা অমসুং ক্রাম্নোহোরিকাদা মীওই অমা অমদি উরানখোপতা মীওই অমা শিখি।

ক্রাইম খুদিংমক্তা চেন্নরিবশিং চৈরাক পীগনি হায়না মহাক্না পোষ্ট অদুদা ইখি। পুন্সি কন্ননবা অমদি য়ুক্রেনিয়ন আর্মিবু রসিয়ন ওফেন্সিবতগী টাউন কয়া কনবা ঙমহন্নবগীদমক্তা প্রোভিন্স অদুদা লৈরিবা মীওই ৩৫০,০০০ হেনবদু মফম অদু থাদোক্তুনা চৎপা মথৌ তাই হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কিরিলেনকোনা মীয়ামদা খঙহনখি।

দোনেটস হায়রিবসি য়ুক্রেনগী খ্বাইদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা লান্মীশিং থম্বা অয়াম্বনা রসিয়ন লোন ঙাঙবা ইন্দষ্ট্রিএল এরিয়া অমা ওইরিবা দোনবাসকী শরুকঅমনি।

রসিয়াবু শৌগৎপা সেপরেটিষ্টশিংনা চহী নিপান লিশাংশিংনা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংদা লাম্ফেংনখিবগা লোয়ননা দোনবাসকী অয়াম্বা শরুক মখোয়না কন্ট্রোল তৌশিনখি। চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা য়ুক্রেনদা লান্দাদ্রিঙৈগী মমাঙদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা লমদম অদুগী সেপরেটিষ্ট রিপব্লিক অনী নিংতম্বা ফংলবা লৈবাকশিং ওইনা শকখঙখি।

মহাক্না য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিং অমদি গভর্নমেন্টগী থৌওংশিং অদু নাজি জমর্নিনা মতম অমদা চত্থখিবা থৌওংশিংগা মান্নে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা খর্কিপ রিজনগী গভর্নর ওলে সিনিহুবোবনা টেলিগ্রাম পোষ্ট অমদা হায়খি, মদুদি রসিয়ন ফোর্সশিংনা অহিংগী মতমদা মিসাইল ষ্ট্রাইক কয়া চত্থদুনা অৱাংরোমদা লৈরিবা য়ুক্রেনগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি ওইরিবা খর্কিপতসু এটেক্ট তৌখি।

সিনি হুবোবকী মতুং ইন্না রসিয়ন ফোর্সশিংনা সিটি অদুগী দিষ্ট্রিক্ট অহুম টার্গেট তৌখি অমসুং য়ুনিভর্সিটি বিল্ডিং অমা মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়ননা এদমিনিষ্ট্রেটিব বিল্ডিং অমসু থুগায়খি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

## CORRIGENDUM

Dt. 06-07-2022

হৌখিবা জুনগী তাং ২৯, ২০২২ ইংদা হুইয়েন লানপাউ খবরগী লামায় ৬ শুবদা SDC/IW/Patsoi গী খুল নং ৮২ ঘরিগী Mut. Case No. 194/SDC/IW/P Dt. 28/06/22 হায়না ফোঙখিবদা পরেং অহুম শুবদা দাগ নং ২৭২/৮৯৮ হায়না ইখিবদু ২৭২/৯৮৯ হায়গদবনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Patsoi, Imphal West

HL-P/3188/7

# বোরিস জোন্সনগী টোপ মিনিষ্টর অহুম অমসু রিজাইন তৌখ্রে



লন্দন, জুলাই ৬ (এজেন্সী): হন্দক্তা লিদরশিপ চেলেঞ্জ অমদা শম্নাদা মায় পাক্তুনা মখা তানা ফম পায়দুনা লৈবা ঙল্লিবা য়ুকেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনদা অনৌবা চৈথেং পীবা খোঙথাং অমদা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মিনিষ্টর অহুমসু মহাক্কী গভর্নমেন্টদগী রিজাইন তৌখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

এদুকেসন মিনিষ্টরশিং ৱিল ক্বিন্স অমসুং রোবিন ৱার্করগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রিএল এইদ লোরা ট্রোট য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রিজাইন তৌখি।

বিল ক্বিন্সনা ফোঙদোকখিবদা মহাক রিজাইন তৌবা নত্তনা অতৈ পান্থে লৈখিদে। লোরা ট্রোটনা মহাক্কী ৱারোলদা গভর্নমেন্টদা থাজবা লৈরক্তবদগী ফম থাদোক্লিবনি হায়খি।

হেল্‌ঠ অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টরশিং রিজাইন তৌখ্রবা মতুংদা মিনিষ্টর অহুমসু গভর্নমেন্ট থাদোকখিবা অসিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা প্রেসর পীখি। বোরিস জোন্সনগী টোপ মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা অনী-চান্সল্লর ওফ দ এক্সচেক্কর রিসিসুনাব অমসুং হেল্‌ঠ সেক্রেটরি সজিৎ জাবিৎ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা গভর্নমেন্টদগী তোকখি।

ফম থাদোকপা অদুগা মরী লৈননা জাবিদনা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি ঐহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরগা ৱারী শান্নবদা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর হেল্‌ঠ এন্দ সোসল ক্যেরগী ফম অসি থাদোকচরগে হায়না খঙহনখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF STATE COUNCIL OF EDUCATIONAL RESEARCH AND TRAINING

## ADMISSION NOTICE

Imphal, the 06th July, 2022

No.18/28/2014/SCERT/DIET (Pt. II) : Applications in prescribed format are invited from Pre-Service candidates for admission to the 2(two) years Diploma in Elementary Education (D.El.Ed.) course for the academic session 2022-2024 to the 9 (nine) DIETs viz. Imphal West, Kakching, Churachandpur, Moirang, Senapati, Chandel, Tamei, Ukhrul, Imphal East and also to the 2(two) years Diploma in Elementary Education course (D.El.Ed.) in Hindi for the academic session 2022-2024 at HTTI, Imphal as per details shown below.

2. The admission schedule:
   a. Issue of the Application Form at the respective DIET centres/HTTI - 11th July, 2022.
   b. Last date of form submission to the respective concerned DIET centre/HTTI. - 18th July, 2022
   c. Date of common written Admission Test - 24th July, 2022 (Sunday)
3. **Eligibility** :
   i) D.El.Ed. Course :- 10+2 pass or its equivalent with minimum 50% marks for General and 45% marks for OBC, ST/SC from a recognized Board/Council.
   ii) D.El.Ed. Course (Hindi) :- 10+2 Pass with Hindi as Elective subject or M.I.L. or pass +2 examination along with Kovid with minimum 50% marks for General and 45% marks for OBC, ST/SC from a recognized Board/Council.
4. Prospectus along with the examination scheme shall be made available at the time of issue of application form.
5. Reservation of seat shall be as per State Reservation rule of admission.
6. Entrance Test centre(s) of the respective DIETs/HTTI shall be announced by the concerned DIETs/HTTI later.
7. Selection to the above course will be strictly based on merit of the written test.
8. Any other information such as admission fee, annual fee structure etc. shall be available at the office of the respective Principal, DIET/HTTI concerned.
9. This is issued in pursuance of Government convey vide letter no.ADM1-3013/2/2022-SCERT-SCERT dated 30th June, 2022.

**Sd/- Jim G. Thingujam**
**Head of Office, SCERT**
**Government of Manipur.**

HL-B/7721/7,8

OFFICE OF THE
IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

## নোটিস

তাং ৫/০৭/২০২২ ইং

No.IMC/99/RO/V-T/Note/2016/17-অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Singjamei Bazar Shed No. 7 Licence No. 65 শ্রী/শ্রীমতি Athokpam Indira Devi W/o A. Shantikumar Singh of Pishumthong Oinam Leikai গী মিংদা পানবা পোৎফম অসি Licence Holder মশানা শ্রী/শ্রীমতি Maibam Sobita Devi W/o M. Chaoba Singh of Pishum Oinam Leikai গী মিং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই অমদি Licence গী মিং ওনখ্রগনি।

Sd/- **Asst. Municipal Commissioner (Revenue)**
Imphal Municipal Corporation

HL-P/3241/7

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR
OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

## NOTICE FOR OBJECTION

**Imphal, the 6th July, 2022**

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Foundation of Youth De-Addiction Cum Rehabilitation Centre" of Mayang Langjing Tamang Lamsang** on 04-07-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **"Greater Imphal"**.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9863142363 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/3243/7


***ADMISSIONS OPEN***
FOR THE ACADEMIC YEAR 2022-23
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN ONE OF THE BEST ENGINEERING AND PHARMACY COLLEGE OF BANGALORE
*** COURSES OFFERED: ***
*B. E (Computer Science / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.35 lakh, 2nd Year to 4th year Rs: 90K per Year.
*B. E (Civil / Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.15 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.
B. Pharmacy Fees Structure : 1st Sem 1.25 lakh, 2nd Sem to 8th Sem Rs: 50K per Semester.
* College Highlights *
*No Donation *Reasonable tuition fees *Beautiful college campus *Well equipped labs & training classes *Highly qualified teaching faculties *Placement in top MNC's Companies *Well furnished hostel rooms *Separate hostel for boys and girls.
CONTACT US: 8310788408, 9362331862.
REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.
HL-P/2939/11/6 to 9/7 Alt Days



DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR, SYLHET, & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KYRGYZSTAN, RUSSIA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY
1st PAYMENT 5 LAKH TOTAL PACKAGE 20L
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY
B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm.,B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
BDS in INDIA (no donation) Top Colleges Recognised by DCI
BAMS (AYURVEDIC) BHMS (HOMEOPATHIC) (FULL PACKAGE STARTS FROM 6 LACS)
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Govindajee Temple, Imphal East
7005683347 9856167106
THOUBAL BRANCH ADDRESS : Thoubal Wangmataba Sorok Makha Near Manisang Primary School 9089049622
HL-B/7695/19/6-16/8 Alt